# মণিপুরগী অতাঙবা আর্ট দিরেক্টর / কষ্টম দিজাইনর / মেক-অপ আর্টিষ্ট অমা ওইনা খঙনরিবা ঙাংবম স্বার্নজিৎ

*- নানি*

ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা লাই য়েকপা, শাবা, ঠিএটরগী মচাকশিং শেম শাবা, কোই শাবা, মেক অপ তৌবা মদুদগী হেন্দোক্তুনা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নদা মেক অপ ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট অমা হাংদুনা মমিং লৈরবা মেক অপ আর্টিষ্ট কয়া পুথোকখ্রবা লমদমসিগী শক্ন াইরবা ঙাংবম স্বার্নজিৎ য়াইস্কুল জন্মস্থানদা পোকখি। গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ী অমা ওইনা পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরদা দ্রাফ্টসমেন অমা ওইনা থবক তৌবীরম্মী। হৌজিক্তি রিটায়র্দ তৌদুনা পোত্থারে। শ্রী স্বার্নজিৎনা হীরম অসোমদা মায়পুননা চঙশিল্লক্লবগী খ্বাইদগী মরুওইবসি অপোকপনা শিনফম ঠিএটরগী পর্সোনেলিটি অমা ওইনা (এক্টর/স্কল্পচর/মেক অপ) এম দি য়ুদা হৌরকখিবা অসিদগী পূক্নিংদা পামজবদগী ময়োল চোংবা হৌখি। তশেংনমক্তি ওজা অসিগী ইমুং মনুং অসি মপু হাক্তক্তগী হৌনা হীরম অসোমদা মায় ওনশিন্দুনা লমদমসিগী তোঙানবা আর্ট ফোর্ম কয়াদা শাগোন্নদুনা লাকখি।

শক্লাইরবা ওজা অসিগী অপোকপা লৈখিদ্রবা ঙাংবম জুগোলচন্দ্র লৈবাক্লা শক খঙনবা লাই য়েকপা, লাই শাবা, ফিজেৎ লৈতেং, পোৎলোইদগী চিংলদুনা আর্ট ক্রাফ্টসকী তাঙলবা মীশক অমা ওইখি। অপোকপগী অপান্বা ৱাখল মমি অদু ওজা ঙাংবম স্বার্নজিৎতা ময়েক শেংনা তাখি। অদুনা মশাগী চহী ৭/৮ শুরকপদগী হৌনা লাই য়েকপা, শাবা, মতমদুগী দ্রামা কয়াগী পোৎচাক কয়া পূক্নিং চঙনা শাবা অমদি দিজাইনিং তৌবদা পূক্নিং লুপ্পা হৌরকখি। মদুতা নত্তনা অঙাংশিংগী শান্ন-পোৎলম কয়া শাদুনা শেন্দাল লম্বী অমা ওইনসু খরা খরা চঙশিন্দুনা হীরম অদোমদা খোঙ থাংজিনবা হৌরকখি। পীক্লিঙৈদগী হৌনা দ্রামা য়াওবা য়াম্না পামজরকখি। মশাগী চহী ১৩ শুরকপা মতমদগী এক্টর অমা ওইনা দ্রামা কয়াদা কুম্লকখি। মতমদুদা নুপাশিংতগী ওইবা বোইস' দ্রামাটিক য়ুনিয়ন হায়বা দ্রামাগী লূপ অমা লিংখৎখি। মদুদা **হরিসচন্দ্র** হায়বা প্লে অদুদা বিশ্বামিত্রা অমদি **উত্তারা** হায়বা প্লেদা শ্রী কৃষ্ণ শাদুনা মশক নাইবা রোল কয়া লৌদুনা মায় পাক্লা উৎখি। মতমদুদগী হৌনা দ্রামা ফেষ্টিভেল কয়াদা শরুক য়ারুবদা বেষ্ট এক্টর অমদি বেষ্ট সপোর্টিং এক্টরগী মনা কয়া অমসু ফংলকখি। অসুম্না লীলা কয়া অমসু কুমদুনা লাকখ্রবা মতুংদা হেন্না থৱায় য়াওখিবদি লাই শাবা শেম্বা য়েকপা অসোমদনা হেন্না পামজরকখি। অঙাং পীশক পীক্লিঙৈদা মতমদুদা গোভর্ধোন পূজাদা লাইদা কৎনবা লৈবাক্লা ষন শাদুনা মঙক্তা সনারৈ পরেং মচা শীদুনা য়াম্না পূক্নিং চঙনা লাৎনরকপা চৎনরকখি। মদুগী শরুক অমা ওইনা পীক্লিঙৈ মতমদা ওজা অসিনা ময়াম্না শানদবা ষন লাবনা কুনবগী মখূ খুমাং অনীনা কুন্দুনা লৈবগী ফজরবা শক্তম অমা শাখি। ইচম চম্না শাবগী মথক্তা ষনদুগী কুচু অদু করম্না শংগদগে হায়বগী ৱাখল খনবা হৌখি। অদুনা তেঙ্গালি কোৎলগা, থাউ খরা হৈজিন্দুনা মচু শেম্লগা ষনদুদা তৈখি। মদুদা ষন অদু মচু মুশিন মুনা হেক য়েংবদা অঙকপা ফজবা অমা ওইখি। মদু উরুবদা ওজা অসিগী নক্লনা লৈবা সনাখ্যা মোধুর্জিৎনা সিবু কনানা শাবা ষননো হায়না হংখি। মদুদা "ঐগ্যা ননাই ঐনা শাবনি" খুমখি। মতমদুদা সনাখ্যাসু 'নঙনা শোয়দনা ওইরমগনি খল্লিনে" হায়না খুন্বীবগা লোয়ননা পূক্নিং থৌগৎপা ৱাহৈ কয়া হায়বীখিবা অদুনা লাই শাবদা অমদি তুংদা লাক্কদবা পূন্সিদা পূক্নিং চঙননবগী মচাক অমা ওইখি তাকপীরকখি।

ঠিএটরদা শক্তম লাংবগী মহুৎতা মখল কয়াগী কর্লিং শাবা, কোই শাবা, মীদা মীদাগী য়েংদুনা অমদি হিষ্টোরিকেলগী ওইবা মচাক কয়াশিং তাশিন খোমজিন্দুনা ফিজেৎ লৈতেংগী ওইবা থিজিন হুমজিনবরোমদা হেন্না পূক্নিং চঙশিনখি। মহাক্কী অসিগুম্বা থৌদাং কয়া অসি মণিপুরী ঠিএটরদা অচৌবা খুদোল অমা ওইখি। মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ননা পুথোকপা মখল কয়াগী প্লেগী কোষ্ট্যুম দিজাইন তৌবা অমদি শক শেম্বগী থৌদাং অসি লৌদুনা লাকখি। মরক অসিদা ৱাফম অমসু নীংশিংজহৌবা য়াই। শুপ্নতগী ঠিএটরগী ৱাখলদা নত্তনা মতমদুদা শান্নখিবা শুমাং লীলা কয়াগী অখন্নবা



ফিজেৎ-লৈতেং অমদি প্লেদা শীজিন্নবা মরুওইবা কয়াগী তাথোক তাশিন তৌদুনা শেম শাবীখি। খরা থেংথরক্লবদা, নহারোল খোঙথাং আর্টিষ্ট এসোসিএসন ২০০১গী অদুদা পুথোকখিবা চহী তরেৎ খুন্তাকপা হায়বা প্লে অমগী কোষ্ট্যুম দিজাইন তৌবীখি। মদুদা লীলা অদুগী অঙকপা মতিক ময়াই অমা হাপখি। ওজা স্বার্নজিৎ মণিপুরী ফিল্মদসু অচৌবা মফম অমা কন্দুনা লাকখি। শাফবী হায়বা ফিল্ম অসিদগী হৌনা আর্ট দিরেক্টর, কোষ্ট্যুম দিজাইনর অমদি মেক অপ হায়রিবা ফিল্মগী দিপার্টমেন্ট অহুম অসি পায়দুনা লাকখি। মদুদা ফিল্মগী মেক অপ ফাওবা মপানগী মী কৌদুনা লোইনা তৌনবা মতমনি। মদুগী খুদোংচাদবা কয়া অমা থোক্লম্বা অদু ওজা অসিনা ফিল্মদা চঙলকপদগীদি ফিল্ম অমা পুথোকপদা লৈরম্বা অহেনবা অৱাবা কয়া অমদি কোকপা ঙমখি।

মহাক্না মণিপুরী ফিল্মদা শরুক য়াখিবশিংদি- শাফবী, য়াইরিপোক থম্বালনু, ইঙেল্লে, খম্বা খম্নু, ইচে শখি, খোঞ্জেল নচিংবা মমিং লৈরবা ফিল্ম কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখি। ফিল্ম অমদা আর্ট দিরেক্টর অমগী থৌ অসি অসুক্কী মতিক চাউই। অদুবু হৌজিক্তি আর্ট দিরেক্টর অমগী মথৌ মঙম অসি খরা পীকশিল্লকপগুম মসি ইরায় লায়না লৌনরকপা থেংনরে। তশেংবদি আর্ট দিরেক্টর অমগী থৌদাং অসি ফিল্ম অমা ফজহনবদা অমদি ফিল্ম অদুগী অহেনবা মতিক ময়াই চেলহনবদা খ্বাইদগী মরুওইবা কানবা য়াদবা থৌদাং অমনি। হৌজিক্তি ফিল্মদদি মমিং পংথাদা থাজিনবগী ৱানি, আর্ট দিরেক্টর অমগী মথৌ মঙমদি কয়া তৌদবা অমদি খঙনদবা অমগুম্না লৈবা উই। আর্ট দিরেক্টর অমা ওইবা হায়বা অসিসু ইচম চম্বা মীশক অমনা হেক্তা ওইবা য়াদে। মশাদা কলচরগী অকুপ্পশিং, উৎকদৌরিবা সিন অদুগী দিজাইনিং মদুদা অয়েংবশিংদা ৱাহৈ য়াওদনা পীগদৌরিবা পূক্নিং ইঙ্গিৎকা লোয়নবা ৱাখল্লোন কয়া অদু য়াম্না মরুওই। স্বাইসিদদি ফিল্ম দিরেক্টর অমনা থোইদোক্লা খল্লুবা লৈতে। মসিদি আর্ট দিরেক্টর অমগী মথৌ ওইরিবনি। মসিগা লোয়ননা কেরেক্টর অদুগী ফিজেৎ লৈতেং, ওইগদৌরিবা সিন অদুগী মরী লৈননা ওইফম থোকপা মশকশিং য়াম্না কুপ্না আর্ট দিরেক্টর অমদি কোষ্ট্যুম দিজাইনরনা খল্লি। নীংথিনা শেম্লবা সেট অমদা কেরেক্টর অমনা থোরকপদা মদুগা রিলিভেন্স ওইবা করি করম্বা পোৎশকশিং উৎলগা, থম্লগা অহেনবা ৱাহন্থোক অমা পীবা ঙম্বগে হায়বসি ফিল্ম অমদদি য়াম্না মরুওই। মদুগদুদি হৌজিক্কী ফিল্মশিংদা কয়া থোইনা নীংশিংনদবগুম তৌরে। হৌজিক্কী ফিল্মদা কোষ্ট্যুম দিজাইনর অমগী থৌদাং অসি ঈশৈগী সিনদা নুপীশিংনা করম্বা ফিজোল শেৎকদগে হায়বা অদোমদা খন্দুনা লৈরে। ফি সোরো সোরো চিংবা অশংবা মচু মচু শেৎপা অদুনা ফজবা ওইনা লৌনবগুম তৌবা উবা ফংই। মসিদি দিজাইনর অমগী কন্সেপ্ট অদুগী অরানবা অমনি হায়না লৌবা য়াই। ঐখোয়না ঐখোয়গী ফিল্মদা হিন্দী ফিল্মগী মতৌ তমদুনা মখোয়গী মওং মতৌ লৌদুনা ঈশৈদবু ওইরবসু ফিজেৎ শেম্বা অদুনা মণিপুরী ফিল্মগী অহেনবা ফজবা অমা পুরকপা ঙম্লোই হায়বসি ওজা অসিগী অচেৎপা থাজবনি। অদুনা হৌরক্লিবা নহাশিংনা কলচরগী মমি নীংথিনা তাহনবা ঙম্বা দিজাইন তৌবদা পূক্নিং হেন্না চঙহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লি।

ওজা অসি তমশিনবদা, থিজিনবদা চোকথবা লৈতবা মীশক অমা ওইখি। নেসনল স্কুল ওফ দ্রামা, ন্যু দেল্লীদা মেক অপকী ওইনা কন্দেন্সদ কোর্স য়াওখি। মদুনা অনৌবা এক্সপিরিয়েন্স ময়াম অমা ফংবা ঙমখি। লোয়ননা তুংদা হৌরক্লিবা নহাশিংগীদমক য়েংদুনা শক্তম শেম্বা হায়বা মেক অপকা মরী লৈনবা অচৌবা ভোল্যুম অমা ফোঙদুনা লান্থোকপীখি। হায়রিবা লাইরিক অসি হীরম অসিগীদি ইহান হানবা অতাঙবা লাইরিক অমা ওইনা লৈহৌরে। লোয়ননা নৌনা হীরম অসোমদা পাম্না চঙশিল্লক্লিবশিংদা অচৌবা কান্নবা অমা পীরে। ওজা এন জি স্বার্নজিৎ, মণিপুরী ফিল্ম ফেষ্টিভেল কয়াদগী লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা মথুম কয়া অমা ফংখ্রে। লোয়ননা হৌজিক্লা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটি অমদি অতৈ লূপ কয়ানা পাঙথোকপা ফেষ্টিভেল কয়াগী জুরি মেম্বর অমা ওইদুনা লাক্লি। অহল মতম ওইশিল্লক্লবা ওজা অসিগী ৱাখলদা হৌজিকসু ঐখোয়গী মাঙখ্রগদবা তাঙলবা চৎনবীগা শাগোন্নবা ফিজেৎ লৈতেংশিং অমদি কেরেক্টর অমদা মথৌ তাবা শক্তম শেম্বগী ওইরক্লিবা কয়া অসিগীদমক নুংনাংজরি। লাক্লিবা অহোংবা কয়া অসিনা, অরিবা মতমগী ৱারী ৱাখোংদা প্লে অমা পুথোরকপা মতমদা ৱাখলনা লামশিল্লগা ফিজেৎ লৈতেংদবু ওইরো, মেক অপতবু ওইরো পংশেম শেমজিনবা অসিনা ঐখোয়গী শক্তম মাঙখ্রগদরা হায়বগী কন্না চিংনবা ফাওরি। অদুনা হীরম অসোমদা খুৎ থাদুনা চঙশিনবীরিবশিংনা য়াম্না কুপ্না মুন্না খন্থবীদুনা হেন্না থিজিন হুমজিনবীরগা ঐখোয়গী শক্তমবু কনবদা থৌদাং লৌহন্নিংই হায়না থম্লকখি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৭।১০।২০২১ ইং, নোংমাইজিং;
মেরাগী ১২ নি পানবা।

মেষ: নথক থোংবনা নথৌদা য়েংশিনবা অমদি মহু চাওবনা নরল মাঙনবা শিনবা লৈ, পঙথগনু। নচাক নরলসু চঙগনি, ইমুং মনুং/মীয়ামগা মরী ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ: লাইবক ফবনা নিংজবা থবক পাঙগনি। ৱাখলগী পাঙ্গল কনগনি অদুনা চিংনদনা অমদি মীনা ইনশিনবা ঙায়দনা ফরে খনবদো পাঙহৌরো। নোল্লুক্লদি চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন: হকচাং খিংবা, হৈনিংবা পোকপা অমদি ঙাং-শকপদা মীবু শুক্ষৎপা ঙম্বা নুমিৎনি। লাংতক্লবা ফাথদ্রদি মরুপ-মপাং অমদি নথক থোংবগা নুংশিনরোই।
লৈশা পাখংশিংগী - থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট: য়েক্লববু ঙমদুনা নুংঙাইবা ফংগনি, ৱানোম থৌনোম কান্নগনি অমদি অফবা ৱাখল্লোন ফাওগনি। ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইবা লৈ। হকচাংদি নুংঙাইতে।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ: চিংনগনু নিংবা থুংগনি, মীয়ামগা মরি ফগনি অমদি থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাগনি। মীতোপ্পা কিহনবা লৈরসু অমদি লন মাঙবা য়াবা লৈরসু তপথরদি ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা: ঙসিসু কোক শাবা অমদি নক্লবনা শাওহনবা লৈগনি, তপথৌ অমদি লৈথোকউ। শেল-থুমগী লমদদি কান্নগনি অমদি মীচঙ হেনগৎকনি। চিনদি কনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

তুলা: ফিংবনা অমদি য়েৎনবনা চাদিং হেনবা অমদি মরুপ-মপাংগা ৱারৌনবা লৈগনি। য়েক্লবনা পাঙ্গল্লি, শাজৎ হৈয়ু। লাই-গুরুগী ৱাদি লেঙদবনি, তাশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - ঙাংবদি পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হৈগোক।

বৃশ্চিক: নক্লনা লোয়নবা অমদি অফবা মরুপকী মতেং লৌবা য়াগনি অমদি য়েৎনবা লৈরম্লসু ফরগনি। লৌশিং চাওবদি ৱাৎলি অদুনা অরুবা ৱারেপ লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

ধনু: থবক পাঙবা অমদি ওইজ-ওইথক ফংবা নুমিৎনি। নিংহন্নগনু মীনা লাকচবা ঙমলোই অমদি নচা-ননাইগী মতেংসু ফংজগনি। অচৌবা থৌ পাঙহৌরো।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর: ৱা ঙাংবা অমদি অরং অরাক লৌবা য়াম্না লুবা নুমিৎনি। নচাক নরলগী মতাংদা য়েৎপসু লৈ, থিবা হুম্বা/খাংবা কল্লু। মরুপকী মতেংনা কান্নবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - থৌনা ফুদোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

কুম্ভ: পুক্নিং মকা লাম্বা অমদি মীংচৎ অফবা তানবদা মায় পাকচবা নুমিৎনি। ফংবদৈ চৎপনা হেনবা অমদি য়েৎনবনা কায়নবা নংবা য়াবদি লৈগনি, কাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা থুংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন: ওইজবা য়াম্না হান্নগুম ফংগনি অমদি মীয়ামগা লোয়নবা পাম্বা, মদুনসু ওইজবা ফংবা হেনগদবা নুমিৎনি। অদুবু য়েক্লবনদি তুহৎপি, নোল্লুক্লা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী - মরি ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



## হুইয়েন জোক্স

নাওবা : লুপা ক্রোর অনীগী লোটরি ফাওরম্মী।
লোটরি টিকেট য়োনবা নুপা : টেক্স ককখ্রগা লুপা ১.৭৫ ক্রোর ফংগনি।
নাওবা : মদু অরানবা ৱানি। ঐঙোন্দা অদুমক লুপা ক্রোর ২ অদু পীয়ু নৎত্রগা লোটরি টিকেটকী লুপা ১০০দু হন্দোকপীরো...!!

- - - - - - - - - - - - - - - -

টুরিষ্ট : ইবুংঙো থক্লনবা ঈশিং খরা পীয়ু।
নুপামচা : চুহীং থকপদি য়ারোইদ্রা?
টুরিষ্ট : মদুদি য়াম্না ফবা ৱানি।
নুপামচা অদুনা চুহীং খুজাই অমা পুথোরকপদগী টুরিষ্ট নুপা অদুনা চুহীং খুজাই অদু লোইনা থক্তোক্লম্মী।
টুরিষ্ট : ইবুংঙো নখোয়গী য়ুমদা চুহীং অমত্তা থক্তব্রা?
নুপামচা : লোয়না থকই, ঙসি চুহীং অসিদা উচি অশিবা অমা তাশিনবদগী থক্তবনি...!!
টুরিষ্ট : খুজাই অদু নুপামচা অদুদা লংশিল্লি।
নুপামচা অদু কপ্না-কপ্না মমাদা হায়রম্মী- ইমা টুরিষ্ট নুপা অসিনা ঐখোয়গী লেত্রিনদা শীজিন্নবা খুজাই অদু থুগাইরে...!!!

- - - - - - - - - - - - - - - -

খুবাক ময়ী য়েংবনা তোম্বগী খুবাক ময়ী য়েংদুনা হায়,
ইবুংঙো নঙ লাইরিক য়াম্না তমখিগনি।
তোম্বা : লাইরিকপুদি চহী ৫দগী ক্লাস অমত্তদা তল্লিবনি। পাস করমকন্দা তৌগনি হান্না হায়বিয়ু...!!!

- - - - - - - - - - - - - - - -

স্কুলগী ওজা অমনা অঙাং অমগী মমাদা লেটর অমা থারক্লম্মী।
মেদাম : অঙাং স্কুলদা থারকপা মতমদা ফজনা ইরুজথোক্লগা থাবিরকউ।
মমা : মেদাম, লাইরিক তাকপী-তম্বিবগী তম্বিবা অদুমক চুম্না লাইরিক তাকপীয়ু। অঙাংদা মনম নমগনু।

- - - - - - - - - - - - - - - -

মমা : মোই পাবুং থংনবা য়ূমগী অঙাং অদুদি অঙ্কদা মার্ক ৯৯ ফংই হায়।
মপা : মার্ক অমনা কদাইদা চৎখ্রবা?
মমা : মার্ক অমদুনা নচানুপানা পুদুনা লাক্লে...!!!

- - - - - - - - - - - - - - - -

চাওবা অচৌবা কম্পনি অমদা ইন্টরভিয়ু পীবা চৎলম্মী।
বোস : কোঙ্গ্রেচুলেসন, চাওবা নহাক খল্লে। নহাক্কী অহানবা সেলেরি চহী অমগী ওইনা লুপা লাখ ৫ ওইগনি। অদুগা অনীশুবা চহীদনা লুপা লাখ ১০ ওইগনি।
ৱাফম অদু তারগা চাওবা হৌগৎতুনা চৎনবা তৌরকই।
বোস : চাওবা, কৈদৌরবগে?
চাওবা : করিসু তৌদে সর, ঐ মথং চহীদা ওইনা লাক্লগে...!!!

- - - - - - - - - - - - - - - -

নুপী : তাম্মো, ঙরাং চাকনিবা নুপা অমা লাক্লম্মী য়াম্না লম হেল্লি।
মপুরোইবা : চাকনিবদুনা করি তৌবগীনো?
নুপী : চাকনিবা নুপা অদুনা ঙসি অমুক লাক্লমদুনা লাইরিক অমা পীরম্মী।
মপুরোইবা : করম্বা লাইরিকনো?
নুপী : চাক-এঙ্গাং থোংনবগী লাইরিক অমনি ...!!!

- - - - - - - - - - - - - - - -

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title : Scenery
By : H. Liklaikhomba Meitei
Sec : B Roll : 50



Title : Patriots Day 2021
By : Deepsica Pangambam
Grade : 4
The Eden Public School



Title : A Beautiful Girl
By : Elangbam Thajalembi
Class : II
Address : Maria Montessori School



Title : Friendness is Nothing
By : K. Arijit Singh
Class : VII
School : Free Progress Academy



Title : Barbie
By : L. Henthoi Chanu
Class : II Sec : A
School : North Eastern English School



Title : Mega Charizard X
By : L. Yaiphaba Meetei
Class : VII Sec : B
School : Sacred Heart Hr. Sec. School



Title : Nagin
By : Malemnganba Hidam
Class : Nursery Sec : A Roll : 27
School : The Brilliant Public School



Title : Friday Night Funkin Butthead
By : Osburt Phamdom
Class : KG
School : Don Bosco High School, Langjing



Title : Library
By : Parsis
Class : II Sec : A Roll : 7
School : KV. Leimakhong



Title : Rainbow on River (Scenery)
By : Pratham Nongthombam
Class : II Sec : A Roll : 26
School : KV. Leimakhong




Title : Happy Teacher's Day
By : S. Sushma Devi
Class : V Sec : A Roll : 22
School : St. John's English High School, Nambol



Title : India Stage
By : Stephen Thokchom
Class : I Sec : B Roll : 19
School : Tiny Tot's Unique School



Title : Dog
By : S.Lamnganba
Class : IV Roll : 3
School : Maheilen Education Centre



Title : A Mermaid
By : Loijinganbi Keisham
Sec: III Roll : 31
School : Nirmalabas High School



Title : Village Scenery
By : M. Nena Devi
Class : III Roll : 12
School : Bairodan Maxwell Hindi High School



Title : The Flash
By : Heisnam Stephen Singh
Class : V Sec : C Roll : 16
School : Tiny Tots' Unique School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পিনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাওগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবিরকপা য়াগনি।